# ম্যান্মারিজ টাইম বোম

ম্যান্মারগী দেমোক্রেশি-লুচিংবী ওং সান শু চিনা চহী ২৪ গী মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মপান-লৈবাক্তা চৎপগী খোঙচৎ অমা বেঙ্কোক্তা চৎপদা ফোরেনগী ফার্মশিংনা মহাক্কী লৈবাক্তা শেল থাদনবা মতমদা টাইম বোমগী মশক ওইরবা থবক ফংদবা ম্যান্মারিজশিংবু থবক ফংহন্নবা য়াম্না চেকশিন্না থাদবীয়ু, অদুগুম্বা শেনফমশিং অদুনা শেঙ্গা-থুমজা তৌবা হেনগৎহন্নবা নত্রগা অচৌবা করবাররালাশিংগী ফুরিৎখাউ চোন্নবা মরম ওইহনবীগনু হায়না থাইলেন্দগী কোনুং অদুদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরম (ডব্লিউ ই এফ) ওন ইষ্ট এশিয়াগী মীতিন অমদ আপিল তৌখ্রে। শু চিগী য়াম্না চন্না অমসুং থম্মোয় শেংনা ফোঙদোক্লিবা ৱারোলশিং অসিদা ম্যান্মারগী হৌজিক ওইরিবা চনৈনরবা লৈঙাক্লোনগী মওং অমসুং থবক ফংদবনচিংবা মহাক্কি খুন্নাইনা মায়োক্নরিবা য়াম্না লুরবা সমস্যাশিং অদুগী মমি তারি। মালেমগী মনুংদা দেমোক্রেশি খ্বাইদগী চাউনা চৎনবা ইন্দিয়াগী য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অসিদা লান্মীনা চৈঙাক পীবা প্রসিদেন্ট থৈন সৈনগী রুল্লিং সোলিদরিটি এন্দ দিভলপমেন্ট পার্টি (য়ুএসদিপি) না দেমোক্রেশিগী শাসন লৈহন্নবা হোৎনজরবসু শু চি গী ৱাখলদা মশাগী লৈবাক্কী গভর্নমেন্ট অসিবু থাজবা অমা ইঙম ঙমদ্রি। অসিগুম্বা, লৈবাক অমগী লুচিংবশিংনা নত্রগা মীয়াম্না মশানা হিংলিবা লৈবাক অদুগী গভর্নমেন্টপু চিংনবা মীৎয়েংনা য়েংবগী মওং অসি ইন্দো- মণিপুরি দেমোক্রেটিক ষ্ট্রকচর অসিখক্তা নত্তনা ঙসিদি মালেম পুম্বগী ওইবা অনৌবা চৎনবী অমা ওইরে। দেমোক্রেশি চৎনরবদি লুচিংবশিংনা অচুম্বা, অফবা অমসুং শেঙ্গা-থুমজা তৌদবা শাসন অমা হেক্তা পুরক্কনি হায়বা ৱাফম লৈতবনিনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরনচিংবা লৈবাক কয়াদা মরম্নাই তানবনা মাঙওইনবা লুচিংবশিংগী লোইবা খম্বা নাইদ্রবা কোর্টকি কেস কয়া মীয়াম্না থেংনরি, মন্ত্রি, এমপি, এমএলএ, আইএএস অমসুং আইপিএস ওফিসারনচিংবা দায়িত্ব লৈরবা মীওই কয়া জেলদা চঙনরি। পুম্নমক অসিদা মণিপুর গভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুরি প্রজাশিংনা য়াম্না লৈবাক মচা তানা শেঙ্গা-থুমজাগী অরোনবা কেস কয়াবু মীমাঙদা উৎথোকপা ফজদবদগী উৎনা ৱাইনা খুমজিন্দুনা থম্বা ঙম্বগী শক্তি অসিমক্তংদি য়াম্নমক থাগৎনীংঙাইনি। হন্দক, কঙ্গ্রেসকি ও ইবোবী সিংহনা লুচিংবা সরকারনা অহুম্নক শুবা টার্মদা এমএলএ ৪২ মায় পাক্তুনা এবসোলুট মেজোরিটি ফংখিবা অসিমক্না, শক্তি পায়রবদি অমোৎপা থবক তৌই হায়নবগুম শাসন মনুংদা খরা শেঙ্গা-থুমজা তৌজরবসু এসপিএফ সরকারবু মীয়াম্না য়ারি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎখ্রবনি। ফীভম অসিদা ইন্দিয়ান দেমোক্রেশিনা মপান-মরা ফনা চাওখৎলিবনি। ওং সান শু চিনা অসিগুম্বা মখলগী দেমোক্রেশি অসি পান্নমগদ্রা হায়বদুদি ঐখোয়না খঙবা ঙমদে, অদুবু মহাক্না ইন্টরনেসনেল ইনভেষ্টরশিংদা লায়রবা থবক ফংদবা প্রজাশিংগী য়াইফনবা মওং অমদা শেল থাদবীয়ু হায়না আপিল তৌখিবা অসিমদি থাগৎনীংঙাইনি।

লিবরেল দেমোক্রেশি, মার্কেট ইকোনোমি অমসুং গ্লোবেলাইজেসন হায়রিবা ৱাহৈশিং অসি ঙসিদি মীপুম খুদীংমক্না ঙাংন-শরুরে। অদুবু অনৌবা যুক্তি অনৌবা স্লোগানশিং অসিনা মালেম অসিদা হিংলিবা মীওইবশিংগী মরক্তা থোং মান্নবা পুন্সি মরেল অমা পুরকপা ঙমদ্রি। দেমোক্রেশিনা লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা অনিগী মরক্তা ৱাংলবা চেকপল অমা খাগৎলক্লি। হৌখিবা চহী কুনলোম অসিগী মনুংদা কোল্ড ৱারদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা ফ্রি মার্কেট অমসুং দেমোক্রেটিক পোলিটিক্সতা য়ুম্ফম ওইদুনা অঙকপা ফংনা শেন্মীৎলোন চাওখৎখ্রবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরগা শেম্বা য়ুরোপিয়ান য়ুনিন ফাওবা লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা লৈবাকশিংগী মরক্তা চিংখাইনরকপদগী রোমান ইম্পয়ারগী মতৌগুম্না মচেৎ তানা কায়রগদ্রা হায়না চিংনবা পোক্নরি। য়ুনিয়ন অসি জর্মন অমসুং ফিনলেন্দ নত্তনা অতৈ লৈবাকশিংদি শেন্দোন্না খ্বাঙ কোয়রবা মরম্না মালেম অসিদা দোল্লরগী হেক মথংদা পাক-শন্না লল্লোন-ঈতীক তৌনরিবা ইয়ুরো করেন্সিনা শৌগৎপা ঙমদবগী লুরবা সমস্যা অমা মায়োক্নরে। য়ুএসনা খ্বাইদগী হেন্না চাইনা য়াওনা মপান লৈবাকশিংগী শেন্দোন দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ১৫ অমসুং বৃটেন্না দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ১০ তোল্লে। অসিগুম্বা চাউরবা শেন্দোনশিং অসি ইয়ুরোনা লাক্লবা ঙম্মক্তবদগী শাথিরবা ইকোনোমিক প্রোব্লেম অমা থোক্লক্তুনা ইন্দিয়া য়ৌনা চৈফূ পীরক্লি। লৈবাক অসিদা পোৎ-চৈগী মমল পুম্নমক অঙকপা ফংনা তাঙ্খৎলক্লি। অদুগা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা লায়রবা প্রজাশিংদা অমুক ওনশিন্দুনা মখল-মখা কয়াগী টেক্সশিং খোমগৎনবা থৌরাং তৌরি। গভর্নমেন্টনা য়াম্না ইন্টেল্লেকচুয়েল ওইবা পোলিটিকেল ওপ্পরচুনিজম অমসুং কেপিটেলিষ্ট ইকোনোমিগী লোজিক কয়া পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেশিগী ৱাহৈ-ৱাতাদা পুথোক্তুনা মীচম প্রজাশিংনা হিংবদা তঙায়ফদনা চঙদবা য়াদবা চীঞ্জাক, মৈ, ঈশিং অমসুং সার্ভিস সেক্টরগী তোংঙানবা হীরম কয়াদা দাইরেক্ট ভেল্যু এদেদ টেক্স খোমগৎনবা অকনবা খোঙথাং অমা পায়খৎলক্লি। থৌওং অসিনা মণিপুরগুম্বা, গভর্নমেন্ট অমসুং শোসিয়েল ষ্ট্রকচর পুম্নমক মওং মরীল তাদনা লৈরিবা অশোনবা অমসুং লায়রবা ষ্টেট অমদা তমথিরবা চৈফু অমা পীরক্কদৌরি। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়গীসু ওং সা সু চিগুম্বী মরৈবাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা অমসুং দিল্লিগা শয়েং-পাম্বোম থৈনবা ঙম্বা লুচিংবা অমা মথৌ তারক্লি।